# প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা কাশ্মিরী পন্দিটশিংগা উনদুনা অনৌবা কাশ্মির অমা শেন্নগনি হায়না থাজবা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হাওষ্টনদা মীওই ১৭নাশাবা কাশ্মিরী পন্দিটশিংগী টিম অমা উনখিবগা লোয়ননা অনৌবা কাশ্মির অমা শেন্নগনি হায়না থাজবা পীখ্রে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী খোঙচৎতা লৈরিবা প্রাইম মিনিষ্টরনা হাওষ্টনদা হেক থুংলবগা কাশ্মিরী পন্দিটশিংগী মীহুৎ কাংবু অমা লাক্তুনা ৱারী শান্নখিবনি। মীহুৎ কাংবু অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, কাশ্মিরদা অহোংবগী নুংশিৎ শীৎলক্লে। অথুবা মতমদা মীপুম খুদিংমক্কী ওইগদবা অনৌবা কাশ্মির অমা শেন্নগনি।

হৌখিবা ওগষ্ট থাদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরবু য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী থাক্তা শরুক অনী থোক্লা খাইদোকখ্রবা মতুংদা মখল কয়াগী অথিংবা থন্নকপগী মতাংদা তোঙান-তোঙানবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লরকপা লৈখ্রবনি। মীয়ামগী অকনবা ইহৌ লাকপা য়াই হায়না চীংনবদগী পোলিটিকেল লিদর কয়ামরুম হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থমখিবগা লোয়ননা ইন্টর্নেট শীজিন্নবা য়াহন্দনা লৈরকখি।

হিরম অসিগী মতাংদা পাকিস্তাননা য়ুনাইটেদ নেসন্সয়াওনা ইন্টর্নেসনল ফোরম কয়াদা ৱাকৎখি। বি জে পিনা আর্টিকল ৩৭০গী মতাংদা লৌরিবা ফিরেপকা মরী লৈননা পার্টি অসিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা হায়খিবনি মদুদি, কোংগ্রেসনা আর্টিকল ৩৭০গী মতাংদা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরি।

বি জে পিগী ওইনদি নেস্নেলিজমদা য়ুম্ফম ওইরগা থৌরাং অসি লৌখৎপনি। 'ৱান নেস, ৱান কন্সটিট্যুসন' হায়বা ৱাখল্লোলদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈবাক্কী মফম পুন্নমক্তা চপ মান্নবা কন্সটিট্যুসন চৎনহন্নবা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবনি হায়নসু অমিত সাহনা ফোঙদোকখি।

মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যের্সকী স্পেপাক্স পার্সন রবিস কুমারনা ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা কাশ্মিরগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি কাশ্মিরি পন্দিটপুন্নমক্না মপুং ফানা শৌগৎলক্লে। আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবগীদমক কাশ্মিরী পন্দিট লাখ ৭ রোমনা প্রাইম মিনিষ্টরগী মফমদা তৌবিমল খঙবা উৎলক্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

হাওষ্টনদা প্রাইম মিনিষ্টরগা উনখিবা মীহুৎ কাংবু অদুনা মেমোরেন্দ অমা পীশিল্লকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগী মখাদা টাস্ক ফোর্স অমা শেমদুনা চোইনা খুন্দারিবা কাশ্মিরি পন্দিটশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা থৌরাং লৌখৎপীনবা হায়জখি।

# পাকিস্তানগা ৱারী শানবা তারবদি পি ও কেনা মরু ওইবা এজেন্দা ওইগনি ঃ রাজ নাথ সিংহ




পটনা, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী): আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবগী থৌওংবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ইং তপ্পা ফিভম হঞ্জিলহন্নবগী মতাংদা লৌখৎখিবা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌরাংনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর রাজ নাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

ভারতিয়া জনটা পার্টি (বি জে পি)না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পব্লিক এৱেয়ারনেস প্রোগ্রাম অমদা ৱা ঙাংখিবদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌজিকমক্কী ওইনা পাকিস্তানগা ৱারী শান্ননবা ফিরেপ লৌবা লৈত্রি। করিগুম্বা ৱারী শান্নবা তারবু পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে)না মরু ওইবা এজেন্দা ওইগনি। পুৱারিদা শোইখিবা অমা চুমথোক্লবগী পান্দমদা আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবনি হায়না পল্লদুনা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, নীংশিংঙাই ওইবা থৌরাং অদুনা মরম ওইরগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা ইং তপ্পা ফিভম হঞ্জিলহনবা ঙম্লগনি।

আর্টিকল ৩৭০না মরম ওইরগা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী মীয়াম্না লৈবাক্কী অতৈ অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মীয়ামগা থাক মান্নহন্দবগী ফিভমদা লৈরম্বনি। জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিলহন্নবা থৌরাং লৌখৎপদা মীয়াম ৪১,৫০০ অমসুং সিক্যুরিটি পার্সনেল ৫,৫০০ শীখ্রে। পাকিস্তাননা ঙমখৈ ৱাংমদগী টেররিজম শৌগৎলকপা মরম্না জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা মহৌশাগী ফিভম হঞ্জিলহন্নবা হোৎনবদা খুরৌ থাংদুনা লাকখি। কাশ্মিরগী মতাংদা পাকিস্তাননা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর্নেসনল ফোরম কয়াদা ৱাকৎপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, পাকিস্তাননা ঙমখৈ ৱাংমদগী টেররিজম শৌগৎতুনা লাকখিবগী থৌওং মখা তানা চত্থবা ঙম্লরোই

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদগী আর্টিকল ৩৭০ লৌথোকখিবগী মতাংদা পাকিস্তানগা ৱারী শান্নবা মথৌ তাদে হায়না পাল্লদুনা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, করিগুম্বা য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনী ৱারী শান্নবা তারবসু পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মির (পি ও কে)না মরু ওইবা এজেন্দা ওইগদবনি।

অরোমদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা পাকিস্তান ওক্যুপাইদ কাশ্মির শেমখিবগী মতাংদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর জৱাহরলাল নেহরুবু মরাল শীখ্রে।

মহারাষ্ট্রাদা পাঙথোকখিবা রেল্লি অমদা ৱা ঙাংখিবদা মহাক্না হায়খি, মতম চাদনা কুমজা ১৯৪৭তা সিজ ফায়র লাউথোক্লুবদগী পি ও কে শেমখিবনি। করিগুম্বা নেহরুনা সিজ ফায়র লাউথোক্লমদবা তারবদি পি ও কেগী শরুক পুন্নমক ইন্দিয়াগী মনুং চল্লমগদবনি। কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০গা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাক্না হায়খি, মতমদুগী হোম মিনিষ্টর সরদার পতেলনা কাশ্মিরগী ৱাফম য়েংশিল্লম্বা তারবদি পি ও কে লৈরম্লোই।

# গুজরাটকী এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি অনী, কেরালাগীনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অমদা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লগনি



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী): গুজরাটকী এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি অনীদা মরক্কী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা লাউথোকখ্রে।

কম্মিসননা সেদ্যুল ত্রাইব কেটগোরিগী রিজার্ব সিট ওইরিবা মোর্বাহদাফ এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মতাংদা মীখলগী মতম লাউথোক্কদবা মতম ৱাৎলি। কন্সটিট্যুয়েন্সি ৪না মরক্কী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না কম্মিসননা ঙরাং লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

ওক্টোবর ২১দা এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি ৬কী বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লগা নুমিৎ হুম্নিগী মতুংদা ভোট মশিং থিগদৌরি। কোংগ্রেসকী এম এল এ অলপেস থাকুর অমসুং ধবলসিনহ জলানা ফম থাদোক্লগা বি জে পিদা য়াওখিবদগী তঙাইফদনা রাধনপুর অমদি বয়াদ এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্লবা মতম লেপখিবনি। থাংজ নুমিৎতা ইলেক্সন কম্মিসননা অমরাইৱাদি, থরাদ, লুনাৱাদা অমসুং খেরালু এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মরক্কী মীখল পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকখি।

কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং অসিগী সিটিং এম এল এ পুন্নমক ফম থাদোক্লগা লোক সভাগী মীখলদা মীরেপ ওইখিবা মরম্না হাংদুনা লৈহৌরিবা সিটশিং মেনশিন্নবা মরক্কী মীখল পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপনি।

অমরোমদা কেরলাগী ওইনসু নিংথৌকাবা নুমিৎতা পালা এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মরক্কী মীখল পাঙথোক্কদৌরি। পুন্না ভোটর ১,৭৯,১০৭ লৈবা এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মীরেপ ১৩না লম্বা থেংনরি। খ্বাইদগী মরু ওইবা লম্বাদি সি পি আই এমনা লুচিংবা এল দি এফ, কোংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু দি এফ অমসুং বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনি হায়না লৌনরি।

লৈঙাক পায়রিবা এল দি এফনা এন সি পিগী লুচিংবা মনি সি কাপেনবু এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা মীরেপ ওইনা থাদোক্লি। কেরলা কোংগ্রেসকী জোর্স তোম পুলিকুনেলবু য়ু দি এফকী মীরেপ ওইনা থাদোক্লি। এন দি এগী মীরেপনা বি জে পি কোটায়ম দিষ্ট্রিক্টকী প্রসিদেন্ট এন হরিনা ওইরি।

# শেমদোক শাদোকপগী থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লৌউ-শিংউবু শেন্দোং হেন্না লৈহন্নবা হোৎনফম থোকই ঃ ভাইস প্রসিদেন্ট



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী): শেমদোকশাদোকপগী থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা লৌউ-শিংউবু শেন্দোং হেন্না লৈহন্নবা হোৎনফম থোক্লে হায়না ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেঙ্কয়া নাইদুনা ফোঙদোকখ্রে।

রিতু নেস্থমগী ১৫শুবা কুমওন অমসুং অতোপ্পা চেফোঙ অনীগী কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা হায়দরবাদকী স্বর্ন ভারত ট্রষ্টতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়খি, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্ট অমদি তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট পুন্নমক্লা এগ্রিকলচর, এদ্যুকেসন অমদি হেল্থ কেয়র সেক্টরদা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৬০ লৌউ-শীংউদা মপান তাংলি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লৌউ-শিংউ চাওখৎহন্দুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহন্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরাং ওইফম থোকই। লৌমীশিংদা মতম চানা লোন পীবিবগা লোয়ননা ঈথৈ লৌখোঙগী থবক নীংথিনা পায়খৎকদবনি। লৌউ-শিংউগা মরী লৈনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরসু মপুং ফানা শেমগৎকদবনি।

ইন্দিয়াগী লৌমীশিংনা মীওই মিল্লিয়ন কয়ামরুমগী মচিঙ্গাক পীরি হায়না পল্লদুনা ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়খি, লৌমীশিংনা শেল খজিক্তং ফংলগা লল্লোল ইতিক তৌরিবা মীওইশিংনা শেন্দোং পুন্নমক লৌখিবগী মওং অমা উবা ফঙলি। হিরম অসিদা নিতি আযোগ অমদি সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙদুনা শেমদোক শাদোকপগী থৌরাং কয়া মরুম লৌখৎপা তঙাইফদে।

ভাইস প্রসিদেন্টনা হোর্টিকলচর, পোলত্রি, পিসি কলচর, এক্যাকলচর অমদি সেরিকলচরনচিংবা এলাইদ সেক্টরশিং চাওখৎহন্দুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনবা মথৌ তাই হায়না পাল্লদুনা হায়খি, লৌমীশিংনা পুথোরকপা পোত্থোক পুন্নমক নীংথিনা ফুদ প্রোসেসিং তৌরগা শেন্দোং হেন্না ফঙহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মতম ওইরে। সাইন্টিষ্টশিংনসু লৌউ-শিংউদা শেল কা হেন্না চঙহন্দবা পাম্বৈ পুথোকপা মথৌ তাই।

# স্বর্নপ্রসন কেম্প পাঙথোক্কদৌরি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী): আয়ুরবেদ ত্রিটমেন্ট ওর্গনাইজেসন জিবা আয়ুরবেদনা শীন্দুনা সেপ্টেম্বর ২৪দা পুসিয়া নক্সত্রাগা মরী লৈননা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা ক্লিনিক ৮৪দা ফ্রি স্বর্নপ্রসন কেম্প পাঙথোক্কদৌরি।

কেম্প অদুদা মশাগী চহী ১দগীনা চহী ১৬ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাং খুদিংমক্তা স্বর্নপ্রসন লেম্না পীথক্কদৌরি। বেদিক সন্সকারা ১৬কী মনুং চনবা স্বর্নপ্রসন হায়বসি গোল্ড এস, খোহি, ঘী অমসুং কান্নরবা মনা-মশিংশিংগী মচল য়াওবা মহীনি। মসি পীথকপনা অঙাংশিংদা ৱাখৎল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হেনগৎহনবগা লোয়ননা পাঙ্গল কলহল্লি অমসুং ইম্যুনিতি হেনগৎহল্লি হায়না জিব আয়ুরবেদগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

# আই এ এফনা ইকায় খুম্নবা উৎখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী): মার্সল ওফ দি এয়রফোর্স অর্জন সিংহ অমসুং মহাক্কী লোয়নবীনা লিংখৎখিবা ট্রষ্টতা ইন্দিয়ান এয়রফোর্সনা ইকায় খুম্নবা উৎখিবগা লোয়ননা এয়র চীফ মার্সেল বি এস ধানোৱানা হায়খ্রে মদুদি থবক্তগী পোত্থারবা এয়রফোর্সকী পার্সনেলশিংগী খুন্নাইগী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎলক্লিবসি শীংথানিংঙাইইনি।

ট্রষ্ট্রকী ফাউন্দেসন দেগা মরী লৈননা অসাক এয়রফোর্স ওফিসার্স মেসতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ধানোৱানা হায়খি, আর্জন সিংহ অমদি মহাক্কী লোয়নবী তেজি সিংহনা কুমজা ২০০৪গী সেপ্টেম্বর ২২দা লুপা ক্রোর ২.২৫ পুথোক্তুনা ট্রষ্ট অসি লিংখৎখিবনি। পদ্মা বিভুসন এৱার্দ ফংখ্রবা মার্সল অর্জন সিংহনা কুমজা ১৯৬৫দা পাকিস্তানগা শোক্লখিবা লানফমদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবগা লোয়ননা ওপরেসন গ্রান্দ স্লাম হায়না মিংথোনবা পাকিস্তানগী মরু ওইবা ওপরেসন অমা মায়থীবা পীখি। কুমজা ১৯৮৯দা অর্জন সিংহবু দিল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্ণর ওইনা খনখি।

থৌরম অদুদা ওর্গনাইজেসনগী লাইফ ট্রষ্টিসু ওইরিবা অর্জন সিংহগী মচানুপা অর্বিন্দ সিংহনা হৌজিক ফাওবদা ট্রষ্ট অসিনা মীয়ামগীদমক লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়ামরুম ফোঙদোকখি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা অভি কাম বাকি হে হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অমা ইন্দিয়ান এয়রফোর্সকী চীফ অমসুং থবক্তগী পোত্থারবা এয়র চীফ মার্সল আরুপ রাহানা ফোঙখি। ট্রষ্ট অসিনা মীয়ামগীদমক লৌখৎলিবা থৌরাংবু ইকায় খুম্নবা ওইনা মেমোন্টো অমসু আই এ এফক মায়কৈদগী খুৎশিন্নখি।

ঢাক্লৈংলৈং/ পাউজেল

লাক্লিবা তাং ২৪/০৯/২০১৯ ইং, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা পোইরৈ কুমহৌ খোর্জৈ লুপ, কুম্বী শাফোঙবগা লোয়ননা ৱাহেংবম য়াইমা সিংহনা ইবা 'ফমুং ফম্মাংদা' মিংথোনবা লাইরিক ফোঙবা অমদি শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমা ইবুধৌ ঈশিং চাইবা হরাও থেলদা পাঙথোকচগদৌরি।

থৌরম অসিদা ইরমদম অসিদা লৈবিরিবা প্রজা ইপা-ইপল, ইমা-ইন্দোল, ইচিন-ইনাও, ইচে-ইচল অমদি ছাত্র-নহারোল খ্বাই পুন্নমক্লা মতম চানা লেঙবীরক্লগা মপুং ফানা শরুক য়াবীরনবা অমদি পূক্নিং থৌগৎপীরগা অঙম্বা থৌনা পীবিনবা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

HL-B/5686/23 পাউজেঞ্জরিবা : পোইরৈ কুমহৌ খোর্জৈ লুপ, কুম্বী

# উট্টর প্রদেশকী মফম কয়াদা নোং কন্না চুরকখিবগা মরী লৈনবা থৌদোক্তা মীওই ১৮ শীখ্রে



লখনৌ, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী): উট্টর প্রদেশকী তোঙান-তোঙানবা মফমদা নোং কন্না চুরকখিবগা মরী লৈননবা থৌদোকশিংদা মীওই ১৮ শীরে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

থাংজ নুমিৎতা মীওই ১৩ শীরগা ঙসি নোংমাইজিং নুমিৎতা মীওই ৫ শীখিবনি হায়না ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি। ষ্টেটমেন অমনা হায়খি, কৌসম্বীদা অখাক অরাওনা মরম ওইরগা মীওই ৩ শীখি। অমেথিদনা নোং কন্না চুবদগী ৱাল নিংখাইরকপদা মীওই ১ শীখি। বন্দাদসু মীওই ১ ঈরাক্লবদগী শিখি।

থাংজ নুমিৎতা অখাক অরাওনা মরম ওইরগা সোনভদ্রাদা মীওই ৩ শীখি। বালিয়াদনা মীওই ৩ ঈরাংনবদগী শীখি। ভার্দোহি অমদি জোনপুরদসু অখাক অরাওনা মরম ওইরগা মীওই অমমম শীখি। কৌসম্বী, পিলিভিট অমসুং গোরখপুরদনা অখাক অরাও অমসুং লিননা চিকপগী থৌদোক্তা মীওই অমমম শীখি।

চৈরকসিদা গঙ্গা, যমুনা অমদি ঘগরা তুরেলগী ঈমায় খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা ৱাংখৎলক্লে। মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা ঙসি থোকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোংপোক অমসুং নোংচুপ থংবা উট্টর প্রদেশকী মফম খরদা নোং কন্না চুবগা লোয়ননা অখাক অরাও থোরকপা য়াই হায়রি। কেপিটেল সিটি লখনৌদা ঙসি নোংজুগী চাং মিল্লিমিটর ৯ য়ৌখি।

The Imphal Urban Co-operative Bank Ltd.
Administrative Office, M. G .Avenue, Imphal.

NOTIFICATION
Imphal, the 19th September 2019

IUCB/7(C )/2019-20 : Applications on plain paper are invited from registered firms/individuals for appointment of a Gold Appraiser on engagement basis for a period of 6(six) months likely to be extended on payment of monthly remuneration fee at the rate negotiable from time to time. Details of qualification and experience are as under:

| Sl. No. | Name of Post | No. of post required. | Qualification | Security Deposit |
| --- | --- | --- | --- | --- |
| 1 | Gold Assayer | 1 | i) Graduate from a recognized university<br>ii) 5 years experience in gold smithy<br>iv) Age limit - 21 to 40 years. | Rs. 30,000 |

At the time of submission of application , 2(two) recent passport size photos along with educational certificates and relevant supporting documents including pan card & Aadhaar card, shop licence etc. are be accompanied with and duly attested by a gazetted officer.

Last date of submission of application is 5th October 2019.

R.K. Tikensana
Asst. General Manager(i/c)
Imphal, the 19th September 2019\

HL-B/3801/21,22,23

# অন্ধ্র-ওরিষা বোর্দরদা মাওইষ্ট ৩ হাৎখ্রে

অম্রাবতি, সেপ্টেম্বর ২২ (এজেন্সী): অন্ধ্র প্রদেশ পুলিসকী গ্রেহাউন্দসনা বিসাখাপটনম দিষ্ট্রিক্টতা লোনায়দবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মাওইষ্ট)কী মেম্বর ৩ হাৎখ্রে।

এদিস্নেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (গ্রেহাউন্দস) নলিনপ্রভাতনা হায়খি মদুদি ইন্টলিজেন্সকী রিপোর্ট অমা ফঙবদগী অন্ধ্র প্রদেশ অমসুং ওরিষাগী লোন্নবা ঙমখৈদা অখন্নবা ওপরেসন অমা চত্থদুনা মাওইষ্ট লালহৌবা ৩ হাৎপা ঙমখিবনি। অশুপ্পা মর্উংদা ওপরেসন চত্থরিঙৈদা নোং কন্না চুথরকখিবা মরম্না খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লখি। অদুম ওইনমক এন্টি নেক্সাল স্বৱাদনা নুপী অনী য়াওনা মাওইষ্ট লালহৌবা অহুম গুমিরেবুলু মনাক্তা হাৎপা ঙমখি।

বিসাখাপটনম দিষ্ট্রিক্টকী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস বাবুজি অতাদানা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা লালহৌবশিং অদু গালিকোন্দা 'দালম' স্বৱাদকী মীওই ঙাক্তনি হায়রি। পুলিসনা থৌদোক থোকফমদগী সেল্ফ লোদিং রাইফল অমা অমসুং পোইন্ট ৩০৩গী রাইফ অনী ফঙবা ঙমখি। থৌদোক থোকফমদগী ইমপ্রোভাইস এক্সপ্লোসিব দিভাইস অমসুং ফংলে হায়খি।

সেপ্টেম্বর ২১দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্লিবা মাওইষ্ট ৱিক থৌরমগা মরী লৈননা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মফম কয়াদা পাক্তক্লননা ওপরেসন চত্থদুনা লাকখিবনি।

DELTA Tutorials
Kwakeithel Bazar, Imphal
The Largest & Trusted Coaching Centre for both Sc. & Arts in Manipur
ADMISSION OPEN ☞ Revision 2019
Sure Shot Question Analysis with complete Study Materials
Class Starting from: 16th October, 2019
Last Date of Admission 5th October, 2019
CBSE COHSEM
Class X & XII
Sc. & Arts
Class Timing: 4.30 to 7.30 pm
Available Van & Hostel
Every Year we produced Students with Flying Colours in the Exam
Every Year we produced POSITION Holders as a nature of DELTA
Test Series in same patern of CBSE & COHSEM
Extra Discussion/Application session for the Wicker Students
Seperate Experienced Teachers for
CBSE & COHSEM
from Reputed Schools
HL-B/5662/12sept.-12oct.

OUR SHINING STARS

1st Position Holder
HSLC 2019 ( BOSEM)
BHUMIKA SHAMURAILATPAM

2nd Position Holder
HSLC 2019 ( BOSEM)
SOPHIYA ASEM
SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
FOUNDATION CUM REVISION COURSE 2019
CLASS XI & X
START ON SEPTEMBER 2019
REVISION COURSE 2019-2020
CLASS XII,XI & X
START ON 11-11-2019
Facilities : Van Service & Hostel ( Separated - Boys & Girls) Contact No. 8730999192
For Detail :Visit Smart Tutorial
HL-P/4196/11sept.-8nov.(alt.)